BHARATIYA JANATA PARTY
MAHILA MORCHA EXECUTIVE MEETING

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চনবা লাইনিংথৌ পুথিবা লম্পাক য়ুম্নাম খুনৌদা পাঙথোকখিবা বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দল অমদি মহিলা মোর্চাগী এগজিক্যুটিভ মীটিংদা ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষা পি বিমোলানা ৱা ঙাংবা

কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা ককচিং এ সীদা বি জে পিবু মায় পাকহন্ননবা পান্দমদা পার্টি অসিবু শৌগৎপা য়ুমথোঙশিংদা বি জে পিগী ফিরাল য়ুংদুনা থম্বাল কেম্প্যেন চথখিবা

ফুবালা জি পিগী ৱার্দ নম্বর ৬,৭,৮ অমসুং ৯দগী তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংদা সপোর্ট তৌরম্বা মীওই ৬০না এন পি পিদা নৌনা চঙলকপগী তরাম্না ওকপা থৌরমদা ৱি সপোর্ট থোঙাম শান্তি এন পি পি কেন্দিদেট হায়না থাবা টি-সার্ট লোঞ্চ তৌখিবা

রাম কৃষ্ণ মিসন বাবুপারা ইম্ফালনা ৱিন্টর রিলিফ সর্ভিসেস ২০২১-২২গী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল জি পিগী মনুং চনবা কবো ৱাকচিং ভিলেজগী অহল-লমনশিংদা ব্লাঙ্কেটশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখিবা

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): নেসনল য়ুথ প্রোজেক্ট, ন্যু দেল্লীগী দিরেক্টর ওইরম্বা এস এন সুভা রাওনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা নেসনল য়ুথ প্রোজেক্ট মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল অমদি এক্তা পরিষদ মণিপুরগী মেম্বরশিংনা কাউন্সীল অসিগী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকপগা লোয়ননা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজখ্রে হায়না নেসনল য়ুথ প্রোজেক্ট মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি ঈ ননদরানিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবা এস এন সুভা রাও লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা কলচরশিংবু নহাশিংদা খঙহন্দুনা অপূনবা নেসন অমা শাগৎলম্বা মীশকনি। মহাক্না হিংলিঙৈদা মণিপুরদা য়ুথ কেম্প কয়া পাঙথোক্লম্লগা লোয়ননা লমদম অসিগী নহা কয়াবু নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল য়ুথ কেম্পশিংদা য়াওহনখি হায়নসু ফোঙদোক্লি।

বুথ পর্ভাশ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চানা শীনদুনা ঙসি য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপর্সন ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংগী য়ুমদা বুথ পর্ভাশ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা বি জে পি ৱাংখেম মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল সুনিলকুমার মীতৈ, বি জে ৱাই এম মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্টগী থৌসু পুরিবা লোতস ক্লবকী ইন-চার্জ টি ঐচ চন্দ্রমনি, বি জে ৱাই এম মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরিগী থৌসু পুরিবা বি জে ৱাই এম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ এন সনায়াইমা, বি জে ৱাই এম থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী কো-ইনচার্জকী থৌ পুরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এক্স-মেম্বর বি অবিশেক অমদি বি জে ৱাই এম ৱাংখেম মন্দলগী প্রসিদেন্ট ৱাই জোগেননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

অহল ওইরবশিংদা ব্লাঙ্কেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): রাম কৃষ্ণ মিসন, বাবুপারা ইম্ফালনা শোথরবশিং অমদি অহল ওইরবশিংদা তেংবাঙ পীদুনা লাকপগী মখা চথুরকপা ওইনা কুমজা ২০২১-২২গী ৱিন্টর রিলিফ সর্ভিসেসকী থবকসু ঙসিদগী হৌখ্রে। কুমজা ২০২১-২২গী ওইনা চথুরিবা ৱিন্টর রিলিফ সর্ভিসেস অসিগী মখাদা রাম কৃষ্ণ মিসন, বাবুপারা ইম্ফালনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী কোন্থৌজম জি পিগী মনুং চনবা বমদিয়ার ভিলেজদা লৈবা অহল-লমনশিং অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নম্বোল জি পিগী মনুং চনবা কবো ৱাকচিং ভিলেজদা লৈরিবা অহল-লমনশিংদা ব্লাঙ্কেটশিং য়েন্থোকখ্রে। রাম কৃষ্ণ মিসননা ৱিন্টর রিলিফ সর্ভিসেসকী শরুক অমা ওইনা মখা তানা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখিগনি হায়রি।

পোষ্টর কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): পরিং নাইনা চঙশিল্লকপা কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস কম পোষ্টর কেম্প্যেন ঙসিসু ককৱা কৈথেলদা কোভিদ-১৯গী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবগা লোয়ননা পোৎফম ফল্লিবা অমদি পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীয়ামদা কোভিদ-১৯ পোষ্টর য়েন্থোক্তুনা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পল্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খি, লাইচৎ অসিদগী ঐখোয় পুন্নমক্না এস ও পি নীংথিনা ঙাকমিন্নরবা মতমদা থিংবা ঙমগনি হায়বসি মতম পুন্নমক্তা কাউবীগনু। হৌজিক লাইচৎ অসিগী নাবগী চাং হন্থরিঙৈদা ঐখোয় পুন্নমক্না হেন্না চেকশিনমিন্নদুনা লাইচৎ অসি থিংমিন্নবা মথৌ তাই হায়খি। কেম্প্যেন অসিদা সেলিন দিজিটেলগী এফ পি ও, কে এস ঐচ জেমস, আর ও, এস সান্তি শর্ম্মা অমদি সেলিন দিজিটেলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

পোৎ-চৈগী মমল লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌগদবনি : পি পি সী এম

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): পোৎ-চৈগী মমল লৈঙাক্না কন্ট্রোল তৌগদবনি হায়না প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজার্ভেসন কম্মিটি, মণিপুর (পি পি সী এম)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পি পি সী এমগী পল্লিসিটি সব-কম্মিটিগী কনভেনর লাইখুরাম জয়েন্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমগী ওইনা কোভিদ লায়না লাইচৎকী চৈথেং অহানবা, অনীশুবা খম থেংনা ৱানখ্রে। হৌজিক অহুমশুবা ৱেভ হৌরক্লিবা অসিদা হেন্না শোকচিল্লক্কদৌরিবনা কংলৈপাক্কী, লমদমসিগী শেন্মীৎলোন্দসু হান্নদগী শোত্থরগা লৈরিঙৈ তাল্লকপসিদা লায়না লাইচৎনা হেন্না অৱাবা অমা মায়োক্লগদৌরি। মসিদা লৈঙাকসিনা পোৎ-চৈগী মমল কন্ট্রোল তৌদুনা হেন্না মীৎয়েং চঙবগী মমি তাদে। পোৎ-চৈগী মমলদি অতিয়া পক্লা ৱাংখ্রে। হৌজিক নিঙোল চাক্কৌবা কুম্হে ময়া নকশিল্লকপা অসিদদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙ কঞ্জ্যুমর এফেয়র্স ফুদ এন্দ পল্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন অমসুং ৱেট এন্দ মিজরমেন্ট দিপর্টমেন্ট এফ এফেয়র্স, মণিপুর কঞ্জ্যুমর রুল ১৯৮৯গী মখাদা পোৎ-চৈগী মমল অমদি অরুম্বা শুবা-শুদবা, পোৎকী মশক পুন্নমক কুপ্না মীৎয়েং চঙবীয়ু। মণিপুরগী কঞ্জ্যুমর ক্লবনসু মীৎয়েং চঙবীয়ু। হায়রিবশিং অসি লৈঙাক্কী থৌদাংনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না পোৎ-চৈগী মমল কন্ট্রোল তৌগদবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মীওইবা খুন্নাইগী চাউখৎ লম্বীদগী নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংসি চেঙ-হৱাই, আলু-তিলহৌ, থুম-থাউ, ঙারি-ঙাতাই অমদি শেৎন-ইন্নবা অসিনচিংবা পুন্নমক মপান লমদগী পুশিল্লক্ত্রবদি হিংবা ঙম্লোইদবদৌনা উহল্লকপা, পুশিল্লক্লিবা পোৎ-চৈশিংগী মমল কন্ট্রোল তৌদবদগী লৌনিংবা মমলদা মীয়ানচাশিংনা লৌদুনা লৈরি। মমাঙদগী কোভিদ মতমদা লৈঙাকসিনা পোৎ-চৈগী মমল লেপ্তুনা মীয়ামদা লাউথোকপা খক্তনি মদু কুপ্না য়েংশিনবীখিদে। কংলৈপাক মীতোপ-মীয়ানচাশিংগী মখুৎতা শুপ্পায় পায়শিনখ্রবা শেন্মীৎলোন ওইরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। লৈপাকসিগী মার্কেট অয়াম্বা লানফা কৈথেলগুম মীয়ানচাশিংগী মখুৎতা লৈখিদুনা শান্ননিংবা মওংদা শান্নদুনা পোৎ-চৈগী মমল মখোয়না লেপ্লিবসি য়ারোই। হৌজিক পি পি সী এমনা অকনবা মীৎয়েং চঙবা হৌরগনি লোয়ননা থৌমীশিংনসু য়েংশিন খোঙজং চঙশিল্লগনি।

নন-মণিপুরীশিংনা মখোয়গী ফি য়োনবা লেপকদবনি হায়দুনা কৈথেল ইমাশিংনা থিংলিবসি অচুম্বনি। লমদমসিগী পোত্থোক ইয়োং-ফি, লুমগী পোত্থোক ফাওবা মীয়ানচাশিংনা মতৌ তমদুনা মেছিন্না শারগা অহোংবা মমলদা ইরমদম অসিদা য়োল্লরে, শিনফমসু মুত্থৎলরে। অসিদসু নত্তনা ঐখোয়গী কলচরগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা লাইশোন-তিনশোন্দা চঙলিবা পোৎলম খূদিংমক ফাওবা মতম শাংনা মীপাল তাঙদুনা লাক্লিবা অসিগী মথক্তা হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা অনৌ অনৌবা পোত্থোক্কী মতৌ তমদুনা পুথোরক্লি। মদু পুন্নমক্তু ঐখোয়দা য়োনশিল্লগা খোমগৎখিবা শেলনা মখোয়গী শেনগাও চোনখিবা অদুগা ঐখোয়না নোংম-নোংমগী মহাম তাদুনা অরোইবদা ঐখোয়গী ফুরুপসে লৈখা তারনি।

ঐখোয় লিংজেল মান্নদুনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মখোয়দগী মমাঙদা হায়রিবা পোৎ-চৈশিংসি হেক য়ারিবমখৈ লৈবীদ্রবদি অদুম তোকচখ্রগনি। ঐখোয় ৱাখল খন্থবা ৱাৎপদগী মখোয়না খুদোংচাবা লৌরিবনি। কংলৈপাক অসিদগী থোক্লকপা পোত্থোক নত্তবা খরদা মরী থম্নদুনা কো-ওপরেসন পীরবসু ইরমদমগী পোত্থোকশিংবু মরুওইনা খন্নদুনা লৈনবগী হৈনবগী ঐখোয় পুন্নমক্তা লৈবা তাই। মদুনা ইরমদম কঞ্জনবগীদমক ঐখোয় হৌজিক নন-কোওপরেসন মুভমেন্ট অমা মথৌ তারক্লিহায়বসি ইরৈচাশিংনা কাউবীগনু। ঐখোয় পুন্নমক পুনশিনবা য়াবগী ৱাখল লাক্ত্রগদি নোংমদি শোয়দনা মুৎখ্রগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু ঙসি ফাওবা ঐখোয় অহোংবা লৈতে। ঐখোয় মশেলগী লিংজেল মান্নদবগী খুদোংচাবা লৌদুনা নন-মণিপুরী মীতোপ মীয়ানচাশিংনা খুদোংচাবা লৌবদি য়ারোই।

মৈতৈ/মীতৈশিংগী য়াম্না শেংখ্রবা মবুং-মৌপ্পা ওইবশিংনা মচে-মচল ওইরিবা নিঙোলশিংবু চাক্কৌবা হায়বা কুম্হে অসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক খঙনা পাঙথোকপীয়ু। খুদোলপোৎতা মীতান্নদুনা মীতোপ মীয়ানচাগী শেনগাও চোনখিনবা থৌওং থাদোকপীয়ু। ঐখোয় মশেল ৱাখল তীন্নদুনা অনৌবা কংলৈপাক অমা ওইহন্ননবা হোৎনবদা ঐখোয় থৌদাং য়ামিন্নরসি। লোয়ননা লমদম অসিগী পোত্থোকনা খুদোল তন্বীয়ু হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

রোবিন্দ্রোনা ইকো টুরিজম পার্ক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): ময়াং ইম্ফাল এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোগী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা কোকচাইদা শাখিবা ইকো টুরিজম পার্ক ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম মিনিষ্টর ওইনাম লুখোই অমসুং দেপ্যুটি স্পিকর কোংখাম রোবিন্দ্রোনা শঙ্গাদুনা হাংদোকখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল এ সীগী কোকচাইদা ইকো টুরিজম পার্ক অদু শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী টুরিজম দিরেক্টর দল্লিয়ু ইবোহল, বি জে পি ময়াং ইম্ফাল মন্দলগী প্রসিদেন্ট ইরোম রবি, ময়াং ইম্ফাল কোকচাইগী ক্লবকী মীহুৎশিং, মৈরা পায়বী অমদি অহল-লমন কয়ানা শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা শিনফম পায়রিবা মীয়াম্না ঙাইহাক ৱাখল নুংঙাইনবা অমদি পোত্থাবগী মফম অমা ওইনা ঈশিংনা কোয়শিল্লগা লৈবা হেক য়েংবদা পুক্নিং হুনিংঙাই ওইরবা ইকো পার্ক অসি শেমগৎ শাগৎতুনা দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোনা ঙসি শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

ফিরাল চিংখৎপগী প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): লাক্লিবা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল এসেমব্লী ইলেক্সনগা মরী লৈননা বি জে পিগী য়ুমথোঙ খূদিংদা পার্টি অসিগী ফিরাল চিংখৎপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ুক লংথবাল লেপ ময়াই লৈকায়দা নাওরিয়া বি জে পি মন্দল ২১/২৭ বুথকী এগজিক্যুটিভ মেম্বর কোইজম বঙ্কিমচন্দ্রগী য়ুমদা পার্টি অসিগী ফিরাল চিংখৎপগী প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে হায়না নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এনরেলামেন্ট কো-ইনচার্জ ৱাই কিরনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, বি জে পিনা মায় পাকহন্ননবগী ইলেক্সন কেম্প্যেনগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কিষান মোর্চা বি জে পি মণিপুর প্রদেশগী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ইন্টরনেসনল এৱার্দী মুতুম দিনেশ্বর, বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি য়াইখোম কিরনকুমারসু শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কারিয়া কার্যকর্তাশিংগা লোয়ননা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ মায় পাকহন্ননবা ৱারেপসু লৌখি হায়রি।

থম্বাল কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী ইলেক্সনদা ৩৭-ককচিং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)বু মায় পাকহন্নবা পান্দমদা ঙসি এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৭/১, ৩৭/২ অমসুং ৩৭/৩ ইরেংবন্দদা লৈরিবা বি জে পি শৌগৎপশিং য়ুমথোঙ য়ুমথোঙদা বি জে পিগী ফিরাল য়ুংদুনা অমদি বি জে পিগী থম্বাল ফক্লাংদা য়েক্তুনা থম্বাল কেম্প্যেন চথখ্রে।

ককচিং এ সীগী হৌজিক হৌজিক এম এল এ ওইরিবা ময়াংলম্বম রামেশ্বরবু লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা য়াম্না চাউনা মায় পাকহন্নবগীদমক বি জে পি ককচিং মন্দল অমদি য়ুব মোর্চাগী থৌমীশিং অমসুং ওফিস বিয়াররশিং য়াওনা চথখিবা কেম্প্যেন অদুদা এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোরকপদা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী বি জে পি লৈঙাক অসিনা মীয়ামদা পীরিবা কান্নবা প্রোজেক্টশিং অমদি দিভেলপমেন্টকী স্কিম কয়া অসি ককচিং এ সীগী মীয়ামদা ফংহন্নবা তেল্লবা মতম অসিদা হোৎনদুনা লাক্লি। মখা তানা লাক্কদৌরিবা থা খরা অসিদসু ফংহনবা য়াবশিং ফংহন্ননবা হোৎনজখিগনি। ককচিং এ সীগী মীয়াম্না লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মহাকপু নুংশিবীদুনা ভোট পীবীয়ু। মীয়াম্না মহাকপু অমুক হন্না এম এল এ ওইহনবীরবদি ককচিং এ সী অসি মণিপুরগী খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী মনুংদা মীয়াম্না শীংথানবা, চাউখৎপা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইহঞ্জগে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মীওই ৬০ রোম্না এন পি পিদা য়াওরকপদা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলগা মরী লৈননা মোইরাং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা ফুবালা জি পি ৱার্দ নম্বর ৬, ৭, ৮, ৯দগী হান্না অতোপ্পা পার্টিশিংবু সপোর্ট তৌরম্বা মীওই ৬০ রোম হেনবনা এন পি পিদা চঙলকপবু পার্টি অসিগী লেংয়ান ফিয়ান্দুনা তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা এন পি পি নরানসৈনা য়ুনিটনা শীন্দুনা নরানসৈনা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী জোইনিং সেরেমোনি অদুদা এ সী অসিদা এন পি পিগী মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবা টি ঐচ শান্তি; এন পি পি মোইরাং ব্লোককী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট হাজি উমদ আলি অমদি পার্টি অসিবু সপোর্ট তৌবা জি পিগী অহল কয়ানা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা টি ঐচ শান্তিনা হায়খিবদা, মমাঙগী এসেমব্লী মীখলদা মায়থীরবা মতুং মুন্না খন্থরগা ঐগী অৱাববুদি মীয়ামগী থৌগলনা হেন্না মরুওই হায়বা ৱাখল্লোন খক নত্তনা এ সী অসিদগী ঐবু সপোর্ট তৌবীরকখিবা মীয়ামগা অচৌবা মীফম অমা ফম্লবা মতুং ভোট অমুক হন্না লেপকনি হায়বগী ৱারেপ লৌখিবনি। ৱারেপ অসি হেক লৌখিবা নুমীৎতগী মীয়ামগী থৌগল লেপ্তুনা তৌদুনা লাক্লি। মণিপুরগী এ সী ৬০ অসিদা ইলেক্সনদা মায়থীরবা মতুং ঐহাক্না মমাঙ চহী ৫ অসিদা এ সী অসিগী তৌখ্রিবা থবক অসুম্না তৌবা অমত্তা লৈরম্লোই খল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ঐহাক্না ভোট লেপচরিবা অসি মোইরাং এ সীগী মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক তৌজগে, অওনবা চাউখৎপা মোইরাং এ সী অমা ওইহনগে হায়বনি। চাউখৎপা খুন্নাই অমা ওইহনগে হায়রবদি নুপী খুন্নাই অসিবু হান্না চাউখৎহনবা মথৌ তাই। মখোয়গী শেন্মীৎলোন ফহনবা মথৌ তাই হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা এ সী অসিদা নুপীগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১৮০ শেমখিবগা লোয়ননা সোসাইটি ৫০ হেন্না শেমখি। নুপী খুন্নাইনা শেন্থোক লম্বী লৈনবা হোৎনজদুনা এ সী অসিগী নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা কন্না হোৎনজৈ। মখা তানসু হোৎনখিগনি হায়খি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রিটায়র্দ দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর, বিষ্ণুপুর কোঞ্জেংবম সিতলজিৎনা স্পোন্সর তৌবা ৱি সপোর্ট থোঙাম শান্তি সিংহ এন পি পি কেন্দিদেট হায়না থাবা টি-সার্ট ৱার্কিং প্রসিদেন্ট হাজি উমদ আলি (হাজি নিংথেম) অমদি কেন্দিদেট থোঙাম শান্তি অনীনা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামদা শক তাকখিবগা লোয়ননা এন পি পিগী ৱার্করশিংদসু য়েন্থোকখি।

ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱিক্কী মতাংদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংলকপা চহী ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা জন ভাগিদারিগী শরুক অমা ওইনা দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিছোর্সেস এন্দ সষ্টেবেল দিভেলপমেন্ট (আই বি এস দি), ইম্ফালনা শীন্দুনা ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱিক ২০২১গী মতাংদা ইন্টরেক্টিভ সেমিনার অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই বি এস দি ইম্ফালগী দিরেক্টর ওফিসকী সেক্রেটরি অতোম সমরেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিপেন্দেন্ট ইন্দিয়া @৭৫: সেল্ফ রিলাইয়ন্স ৱিথ ইন্টিগ্রিটি হায়বা থীমদা আই বি এস দি তাকয়েলপাৎ ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অদু মীপাল তাঙদনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা ইন্দিয়া ওইনবগী পান্দমদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবগা লোয়ননা শেঞ্জা-থুমজা থেংননবা হোৎনবদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্ননবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা আই বি এস দিগী দিরেক্টর প্রোফেসর পুলোক কে মুখর্জিনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল ভিজিলেন্স কম্মিসন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি ৱোর্মিলা জেস্মিন কৈশিংনা পল্লিক ইন্টরেষ্ট দিসক্লোজর এন্দ প্রোটেক্সন ওফ ইনফোর্মরস হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা রিসোর্ছ পার্সনশিংগা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন কম্মিটিগী ওফিস হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): লাক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা ৩৬-ৱাবগাই এ সীদা মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবা সাকির অহমদকী ইলেক্সন কম্মিটিগী ওফিস অমা ঙসি ককচিং খুনয়াইদা হাংদোকখ্রে। ইলেক্সন কম্মিটিগী ওফিস হাংদোকপগী থৌরম অদুদা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা সোসল ৱার্কর সাকির অহমদপু ৱাবগাই এ সীগী মীহুৎ ওইনা থাগৎনবগী মতাংদসু য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখি হায়রি।

ঐখোয়গী থৌদাংনি : কে কে এল

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ইমা কৈথেল অসি মালেমগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা নুপী কৈথেল অমনি। মসিগী সেঙ্কটিটি অসি মাঙহনবা য়াদে খঞ্জদুনা কে কে এলনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনজরি অমদি মসিবু প্রিজার্ভ তৌবা হায়বসি ঐখোয়গী থৌদাংনি হায়না কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল), মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কে কে এলগী সেক্রেটরি জেনরেল ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মসিগুন্নবা য়াম্না য়ুনিক ওইবা মফম অসিবু লন্নাই মথোং খঙদবা গ্রুপ খরনা মাঙথোক্লবা হোৎনরিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না কে কে এলনা থমজরি অমদি মসিগুম্বা য়াম্না চাউখৎতবা মথোং হুক্তবা দিমান্দশিং অদুগী মায়োক্তা কে কে এলনা লেপকনি। মখোয়গী তোঙান তাবগী ৱাখল্লোন অদুবু মায়থীবা পীগনি। মসিগুম্বা অপীকপা ৱাখল খনবা মশাগী ফুরুপকীদা খনবা কাঙবু অসি মরু ফংনা মুখৎপা হায়বসি কে কে এলগী পান্দমনি। ঙসি ফাওবা কে কে এলনা লেপ্তুনা চীংয়া তময়া চৎতুনা ইন্দিজিনস ময়াম অসি পুনশিন্নবা নোংজু নুংশা খাক্তনা হোৎনরি। ইশাগী পুৱারী মতিক চানা লৈজরম্বা মণিপুর ঙসিদি মসিগুম্বা পুনশিনবগী ৱাখল্লোন য়াওদবা মশাখক হিংলগা লোইরে খঞ্জবা কাঙলুপ খরনা মণিপুরগী শক্তম অমদি ইমা কৈথেলগী শক্তম মাঙহনবা য়ারোই হায়না থমজরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মণিপুরদা তারিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী তোঙানবা কৈথেল থমগদবনি হায়রকপা তারগদি মদু ঙসি ঐখোয়না পুনশিন্নবা হোৎনরিবা ময়াম অসি অরেম্বা তাগনি অমদি মদুনা মরম ওইরগা মণিপুরদা অচৌবা চরাংনবা, তংদু লৈতাদবা অমা শোয়দনা ওইগনি। মণিপুরদা লৈরিবা ফুরুপ ৪০ মুক অসিগী কৈথেল অমমম পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরগদি অপূনবা শাগৎলিবা অসিগী ৱাহন্থোক করিনো হায়না কে কে এলনা হংলি। ঙসি মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈ, বামোন, মীতৈখৃষ্টিয়ন, মরাৱারি, বেঙ্গলি, বিহারী, পঞ্জাবী, নেপালি, মুস্লিম, মৈতৈ বুধিজম, মৈতৈ হিন্দু অমদি জেন হায়রিবা কম্যুনিটি ময়াম অসিগী কৈথেল পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরক্লবদি মণিপুর লৈঙাক্না পীবা ঙমগদ্রা। মসিগুম্বা ইমা কৈথেলগী শক্তম থুগায়গে খনবা কাঙবু অসি কে কে এলনা মণিপুরগী শক্তম শিংনবনি হায়না লৌগনি। মণিপুর হায়বসি ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লমনি। মরম অসিনা মসিদা ফুরুপ অমগী ওইবা কৈথেল তানবা য়ারোই। কৈথেল অমগী মথক্তা কৈথেল অমগী মমিং থোনজিনবা য়ারোই। মসি ঙসিগী লৈঙাক্লসু খঙবীগদবনি। কনাগুম্বা লন্নাই ইন্দিভিজ্যুএল অমদি গ্রুপ অমত্তনা কাঙলুপকী ওইবা কৈথেল তাল্লকপা অমদি ফুরুপ নাইবা ৱাখল শাগৎলকপা অমত্তা ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাক্না অমদি তুংদা লাক্কদবা মণিপুর লৈঙাক অমত্তনা অয়াবা পীবা য়ারোই হায়না কে কে এলনা থমজরি। করিগুম্বা হায়রিবা ৱারেপ অসিগী মায়োক্তা লৈরকপা খূদিংমক কে কে এলনা থেংনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যের্নেস পোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): থাঙ-তা ফোর সোসল চেঞ্জ হায়বা পান্দমদা চথরিবা থাঙ-তাগী নুমীৎ থাবুমগী শরুক অমা ওইনা দি ইর্টর্নেল স্প্রিং ইংলিস স্কুল, সেক্তানা শীন্দুনা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা স্কুল অসিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়না থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা দি ইর্টর্নেল স্প্রিং ইংলিস স্কুল, সেক্তাগী প্রিন্সিপাল লাইশ্রম রঘুমনি মৈতৈ, থাঙ-তা দে ওবজর্ভেসন কম্মিটিগী কনভেনর নিংথৌজম অজিৎকুমার, থাঙ-তা দে ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী ভাইস চেয়রমেন লৈতাঙ্থেম ধমেন্দ্রো মৈতৈ, কিমাক্সকী ভাইস প্রসিদেন্ট বি বিঙ্কি শর্ম্মনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ইর্টর্নেল স্প্রিং ইংলিস স্কুলগী প্রিন্সিপাল লাইশ্রম রঘুমনিনা ফোঙদোকখিবদা, থাঙ-তাগী অমদি খুন্নাই অসিগীদমক্তা কখোক্তুনা লাকপীখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুনা য়ুম্ফম থোনবীরম্বনা ঙসিদি লমদম অসিদা থাঙ-তাবু সবজেক্ট অমা ওইনা বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌশিনবীদুনা মহৈ তম্বা ফংলক্লে। মসিগী খুদোংচাবা অসি ঐখোয়না মমুৎ তানা নৈনদুনা অতোপ্পা সবজেক্টশিংদা য়াওদবা তোঙানবা মতিক ময়াই অমা থাঙ-তা সবজেক্তা য়াওরিবা অসি মহৈরোয়শিংনা নৈনদুনা অমদি মহৈ অসিগী মতাংদা য়াওরিবা ফজখ্রবা কাঙলোনশিং অসি ঙাক্না চৎলবদি কৈদৌনুংদা হামচৎনবা পুন্সি অমা ওইবা হায়বসি ওইথোক্লোই। মহৈ অসিবু মমুৎ তানা নৈনরবদি থকশি-খাশি খঙবা অমদি ইরমদম অসিবু নুংশিবগা লোয়ননা খুন্নাই অসিবু মাঙলোমদা চঙশিনবদা অচৌবা চৈঙাক অমা শোয়দনা ওইগনি। ঐখোয়গী লৈজরম্বা ইপানাৎ-ইপুনাৎশিং য়োকখৎতুনা থম্বা হায়বসি মচা-মশুশিংগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সোলর ষ্টদি লেম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): কোন্সম থোঙাম পোপ্যুলর প্রাইমারী স্কুলদা হেদ মাষ্টর ওইরম্বা হৌজিক্না মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল ফগৎহনসি মিসনগী শরুক অমা ওইরিবা খুরাই এ সীগী মনুংদা লৈবা খুরাই পোপ্যুলর হায় স্কুলদা হিন্দী ওজা ওইরিবা থিয়াম নিলামনিনা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংদা সোলর ষ্টদি লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না দি কোংপাল ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র ক্লব, খুরাই থোঙাম লৈকায়গী প্রসিদেন্ট য়েন্দ্রেম্বম হেরোজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সোলর লেম্পশিং অসি মণিপুর রিন্যুএবল ইনর্জি দিভেলপমেন্ট এজেন্সী (মনিরেদা) মণিপুরনা সবসিদাইজ তৌরগা জেদ ঈ ও জোন টু ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং দি সী ইম্ফাল ইষ্টকী খুথাংদা চহী অসিগী মার্চ থাদা খুৎশিন্নরকখিবনি। খুদোংচাদবা মরম খরনা লেম্পশিং অসি মতম খরা থেংথনা ফংখি। লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী কর্ফিয়ু মতম শাংনা থমজিনখিবা, লেম্প মশীংনা শুপ্নতগী ২৫ খক্তমক ফংবা অদুগা কোন্সম থোঙাম পোপ্যুলর প্রাইমারী স্কুল অমদি খুরাই পোপ্যুলর হায় স্কুল অনীসি পুনশিন্দুনা স্কুল ফগৎহনসি মিসনদা য়াওখিবদগী মহৈরোয়শিংগী মশীং হেনগৎলক্তুনা য়েন্থোকপা ঙমদনা লাকখিবা অদু হৌজিক হৌজিক খুরাই পোপ্যুলর হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ওইরিবী ৱাহেংবম প্রভাবতিগা তান্নরবা মতুংদা ওজা নিলামনিনা মহৈরোয়শিংগী য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা সোলর ষ্টদি লেম্পশিং অসি য়েন্থোকখিবনি।

অমরোমদা, অজাদি কা অমৃত মহোটসব, রাষ্ট্রিয়া পোসন মা অমদি সেবা ওর সমর্পনগী শরুক অমা ওইনা স্কুল অসিগী খনগৎলবা শোথরবা মহৈরোয় ৬০দা ওজা নিলামনিনা ষ্টদি মেটিরিএলশিং, ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর, চেঙ কে জি ৩/৩ মহাক্কী মায়কৈদগী য়েন্থোকখ্রে হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

রিটন এগজাম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি, মণিপুরগী মখাদা ভেটিরিনরি এটেন্দেন্ট লৌনবগীদমক রিটন এগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি হায়না ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি সর্ভিসেস মণিপুরগী দিরেক্টর সী ঐচ নবকিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী মখাদা ভেটিরিনরিগী এটেন্দেন্ট লৌনবগী রিটন এগজামিনেসন অসি লাক্লিবা ওক্টোবর ৩১গী অয়ুক পুং ১১ তাবদগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা পাঙথোক্লগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা রিটন এগজামিনেসন অসিগা মরী লৈননা অকুপ্পা ৱারোলশিং দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রিগী ওফিসল ওইবা ৱেবসাইটতগী ফংগনি হায়রি।

মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): ৱাখল্লোন মান্নবা অপূনবা (দল্লিয়ু এ এম এ) কংলৈপাক্না লমদম অসিগী অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাংলকপা অমদি থৌদোক ৱাথোক কয়াদা শরুক য়ারকপগী মনুং চন্না ঙসি নিংথৌখোং খা লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৫দা লৈবা ওইনাম ইতোমচানা মপান্দা লায়েংবা চৎকদৌরিবা অসিগীদমক দল্লিয়ু এ এম এ কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা শেলগী মতেং পাংখ্রে। মখা তানা দল্লিয়ু এ এম এ কংলৈপাক্কী থৌমীশিংনা লমদমসিদা অৱা-অনা তারবা অমদি থৌদোক ৱাথোক খূদিংমক্তা মতেং পাংখিগনি। মসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীবগা লোয়ননা মতেং পাংবীনবা হায়জরি হায়না দল্লিয়ু এ এম এ কংলৈপাক্কী পল্লিসিটি সেক্রেটরি এন দেবেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকিল।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মতাংদা খন্ন-নৈন্নবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরু ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংচুপ সঞ্জেনবম কম্যুনিটি হোলদা কাদা য়ুনিট, সোসল য়ুথস ওর্গনাইজেসন (এস ও ৱাই ও) অমসুং সঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পল্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা কোন্থৌজম থোইবা, সিনিয়র সিটিজন; এস ও ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট ঙাঙোম নিংথেমজাও, সঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট হাওরোকচম ওংবী পসোৎ অমসুং কাদাগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমারনা থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী রিসোর্ছ পার্সন ওইনা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজম অমসুং কাদাগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ময়েংবম বুধিনা শরুক য়াখি।

রিসোর্ছ পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা হায়খি, মতম শাংনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না মরম ওইরগা মীয়ামগী তঙাইফদনা তৌফম থোকপা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা য়ারমদবা অদু হৌজিক্তি মীয়ামগী তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং কোমথোরক্তুনা তৌবা হৌনরক্লে। অদুবু লাইবক থীবদি কোভিদ-১৯গী অকনবা লাইচৎ মনুংদা মীয়াম্না তঙাইফদবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোকপা য়াদ্রবসু মখল কয়াগী ময়াই কাবা চীঞ্জাক মখলশিং লেপ্তুনা পুশিল্লকপা, চাবা, য়োনবগী থবক্তি লেপ্পা লৈতে। হৌজিক ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখল নকশিল্লকপগা লোয়ননা কেন্দিদেটশিংগী ময়ুমদা মীয়াম পুনবা লেম্না লেম্না য়ু থকপনা মরম ওইরগা ভোট লোইখ্রবা তুংদা ঐখোয়গী লমদম অসিগী নুপা ওইবা কয়া অমদি লিভর সিরোসিস নাদুনা হোস্পিটালদা পুখৎনরকপসু য়াই হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এস ও ৱাই ওগী প্রসিদেন্ট ঙাঙোম নিংথেমজাওনা হায়খি, ঐখোয়গী মণিপুর খুন্নাইনা থেংনরিবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী প্রোব্লেম অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই। মসি ঐখোয়দা চাউনা শিংনরিবা অমনি। ঐখোয়না ময়াই কাবা চীঞ্জাক হায়রগা হিরোইন নম্বর ফোরগুম্বা খরখক্তবু ময়াই কাবা চীঞ্জাকনি হায়না লৌরোইদবনি। য়ু অমসুং হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবনা অচৌবা চৈথেং পীরি। অদুনা মরু চঙবা তুংগী মীরোল অমা শেম্বদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অসি মপুং ফানা থিংবা মথৌ তাই হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা সঞ্জেনবম অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকী প্রসিদেন্ট হাওরোকচম ওংবী পসোৎনা হায়খি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবদা মৈরা পায়বীশিংগী অচৌবা থৌদাং চঙই। অদুবু মীয়ামগী মতেং য়াওদনদি ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবসি ওইথোকপা ঙম্লোই। অদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তগী কন্নবা ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নদুনা অমত্তা ওইবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তারক্লি।